# ঠিএটরদগী হৌরক্লগা ফিল্মদা মশক নাইনা এক্টর অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবী গুরুময়ুম গুনবতি

- নানি

মণিপুর হায়বসি অঙকপা লমদম অমনি, মসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমকশিংং অসি আর্টকী ওইবা মতিক ময়াই অসি য়াম্না চেনবা, য়াম্না হৈ-শিংবা অমদি তৌথোরকপদা ইপক্তা পকচবা লোয়ননা করিগুম্বা থবক অমবু ওইরবসু আর্টকী ওইবা প্রদক্সন অমবু ওইরবসু লমদমসিগী মীশিংগী খুৎ হেক য়াওখিবদা অঙকপা অমা ওইনা হেক্তা থোরকই হায়না মপানগী মীশিংনা হেক হেক শীংথাই। পীশক পীকপা অঙাং অমনসু হৈবা হৈতবা মখুৎ মচাদুনা থেক থেক হেক থেকপদা জগোয়গী ইথিল হেক্তা ময়াওই। ইচম চম্বা, খুৎমক্তা থিন্দোক্লবসু, খুদোনবীমক্তা উৎলবসু আর্ট অমা হেক্তা লোয়নৈ। মসি অঙাং অদুনদি খঙজবা নত্তে। অদুবু মঙোন্দা পোকপদগী পীথোরকপা অমদি য়াওরি। অদুনা ওইবা তাই তৌথোরকপা খূদিংদা ইতোপ তোপ্লিবা। মরোল থোকপা চেনবা চোংবা হৈবদা ঙাইরিবা অঙাং অমনা কৃষ্ণ শাদুনা, ফৈজোম অমা শেৎ, কোক্তা চুরা থোল্লগা, বাঁশি অমা পায়দুনা মঙক পৈনা পৈনা হায় হুমদুনা জগোয় শারকপদা, কৃষ্ণদা কৃষ্ণ মাল্লি। অয়েংবশিংনা মচানি মশুনি হায়বা কাউথোক্তুনা খুরুম্লে। মসি অতোপ্পা মপান লমগী অঙাং অমনা হেক তৌবদা মীৎ থুপ্পা য়াদে, ইপক পকচদে। সিদি ঐনা হায়জিনবা নত্তে, মীয়াম্না হায়নবা ৱানি।

তুংদা মতিক চাবা এক্টর অমা ওইরকপা হায়বসিসু পীক্লিঙৈদগী হৌনা ইতোপ তোপ্পা হৌরকই। স্কুল তম্লিঙৈ মতমদগী হৌরে, লমদমসিগী মীপুম খূদিংগী থম্মোয়দা আর্টকী ওইবা ময়োল চোংবা হৌরকখিবসি। মমা, মতৈমা শাবদা য়াম্না পকচবী, ৱা ঙাংবদা খোঞ্জেল ঈংনা ফজবী, নেচরেল ওইবা খোন্থোক মশাগী ওইনা চেঞ্জবী এক্টর গুনবতিসু স্কুল তম্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মশাদা আর্টকী মৈরি অসি চুবা হৌখিবনি। স্কুলগী ওইবা ফঙ্কসনশিং, মতমদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মপুং ওইনা শীন-লাংদুনা ইন্টর স্কুল কলচরেল মীট হায়বা অমা পাঙথোকখিবা কলচরেল থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি। জগোয়, দ্রামা, রিসিটেসন, এক্স-টেম্পোর স্পিচনচিংবা কয়াদা শরুক য়ারকখি। মনা কয়া লৌরকখি। মতাংসিদা য়াম্না নুংশিবা থৌদোক অমসু কাওবা য়াদনা লৈ। কয়ামুক আর্টকী লম অসিদা থৱায় য়াওরকপগে হায়বদা, হেক অপোকপনা তাইবংপান থাদোকখিবদু মহাক্না মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ষ্টেজদা প্লে অমা উৎলিঙৈদনি। অপোকপা মপাগা অরোইবা ওইনা থেংনহৌখিদবগী হৌজিকসু মশাদা নীংশিংলগা নিংঙমদনা কয়া পোক্লি। এম দি য়ুদা প্লে উৎলিঙৈদা, লৈকায়গী মবুংশিং থোকপা অমনা থোঙজিন মপান্দা লেপ্লগা য়েংখিবদু ষ্টেজ মথক্তগী উরকখি। য়াম্না কন্না মশা ঙমদদুনা লৈহৌরিবা অপোকপগী পাউ পুরকপা শোয়দনা ওইরম্বা য়াই হায়না মপূক্লিংদা ফাওখি। প্লেদু হেক লোইবগা লৈকায়গী মবুং অদু চঙলক্তুনা য়ুমদা থুনা চৎসি হায়রবদা মহাক্না খনখিবা অদুমক চুম্লম্লগনি হায়বা মীপায়বা হৌখিবনি। মদুমক অচুম্বা ওইরমখি।

জি গুনবতি, শীংজমৈ মখা থোঙাম লৈকায়দা পোকপনি। অপোকপগী মিংনা এল দাওজি শর্ম্মা, অপোকপীগী মিংনা ইবেতোন কৌই। লোয়ননা লৈখিদ্রবা গুরুময়ুম শরত শর্ম্মাগা য়ুম্বানমিন্নদুনা মচানুপী ৫ অমদি মচানুপা ১ পুন্না তরুক্কী মমা অমা ওইরি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা উদুখোল, ষনশেনবা, রাস লীলানচিংবা কয়াদা মতেক মতেক য়াওদুনা আর্ট পামজবগী ইথিল পোকখি। পুঙ্কক চাউরক্লবদদি স্কুলগী ফঙ্কসনশিংদা শরুক য়াবা হৌরকখ্রে। অদুগা ঠিএটরদা মায়পুননা চঙশিল্লকখিবদি খরা থেংবা মতমদনি। য়াওদি য়াম্না য়াওনিংলগসু তাঞ্জা চাবা অমত্তা ফংদদুনা লাকখিবনি। কোলেজ তম্লিঙৈ মতমদা মাইবম লৈকায়দা লৈবা গ্রুপ অমনা মাইবম রামচারোনগী "কখোকপা" হায়বা প্লে অদুদা ইহান হানবা ওইনা য়াওবা হৌরকখি। মতমদুদা মৈতৈ



আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী আর্টিষ্ট ওইখিবী থোঙাম শান্তি কৌবী অমনা উবদগী, মৈতৈ আর্টিষ্ট য়ুনিয়ন, মোংশাঙ্গৈদা য়াওনবা মতমদুগী য়ুনিয়নগী দিরেক্টর ওইবা মাম্মশিং থোকপা ইবোপিশক অমদি মীওই খরা লাক্তুনা হায়রবদগী কুমজা ১৯৭৩দগী হৌনা য়াওবা হৌখি। মতমদুদা লৈকায়গা ওইদবনিনা মীনা করি হায়নগদগে খন্দুনা কিবদি য়াম্না কিখি। প্লে অদু ফেষ্টিভেলগীদমক্লি, মমিং লৈরবা রাইটর অথোকপম তোমচৌগী প্লে ওইখি। কুমজা ১৯৭৪দা অমুক হন্না য়ুনিয়ন অদুগী প্লে জালি মী হায়বা অদু অমুক শান্নখি। মদুদা ইহান হানবা ওইনা বেষ্ট এক্ট্রেস কী মনা ফংখি। প্লে অদুদা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট অমদি সেকেন্দ বেষ্ট প্লেগী মনাসু ফংবা ঙমখি। ঐবু রিএলিষ্টিক প্লেদা মপুং ফানা শেন্বীখিবা অসি অথোকপম তোমচৌনি। কুমজা ১৯৭৫দা অমুক হন্না তরেং লৈবী হায়বা প্লে অমদা অমুক কুমখি। অদুদসু অমুক হন্না বেষ্ট এক্ট্রেস কী মনা অনীশুবা ওইনা ফংখি লোয়ননা প্লে অদুনা বেষ্ট প্লেসু তাখি। মসিগী মতুংদা অমুক হন্না ১৯৭৭দা অমুক হিজম গুনোগী অরোইবা পাউদম হায়বা প্লে অদু অথোকপম তোমচৌনা দ্রামাটাইজ তৌদুনা শান্নখি। প্লে অদুদা জমুনা হায়বা রোল অমা কুমখি। মদুদসু বেষ্ট এক্ট্রেস কী এৱার্দ লৌখিবনি। মতমদু লীলা তম্বদসু অদু মঙাই, দিরেক্টর অহল লমন ময়ামদুগী মমাঙদা নোকপা ফাওবা মখোল থোক্লা নোকপা ঙমজখিদে, করি হায়রক্কদগে হায়না য়াম্না কিনা চৎচখি। ওজানা মমিৎনা খজিক্তং য়েংলকপদা ইতুক তুকথদুনা কিনা নোল্লুক্লা চৎনৈ। ওজাশিংনা তাকপীবদু লাইনা তাকপদৌনা থৱায় য়াওনা করিগুম্বা ৱাখল অমত্তা চোইথোক্তনা তাখি। অদুমক্লা ঐনা ইনৌ নৌনা ঠিএটর য়াওরকপদা মীয়াম্না শক খঙবীখিবনি হায়না লৌই। মতম অদুদা লৈনখিবা ওজা অমদি ছাত্রগী মরী অসি য়াম্না চেৎশিন্নে। ওজাশিংবু য়াম্না কিনা লুনা লৌজে। ওজানা হায়বা ৱা অমা ফাওবা হিক্তোপা ঙমখিদে। মতমদুগী ওজাশিংগা লৈনবা অন্দরষ্টেন্দিং, দিসিপ্লিন অঙকপা অমনি। হৌজিক্কানদি করম তৌরিবগে হায়বা মমুৎ তানা খঙজদ্রে, মতমদুদা ঐখোয়না থেংনরকপা অদুদি য়াম্না ফজবা থক-খা নাইবা কাঙলোন অমনি।

য়ুম্বাল লম্বীদা চঙলবা মতুংদগীদি ঠিএটরদগী খরা লাপথোকখ্রে। মদুগী চাউরবা মরমদি অঙাংশিং হোৎনবা অমদি ইমুংগী ওইবা থবক থৌরম কয়ানা মরম ওইরগা ঠিএটররোমদা মায় ওনশিনবা ঙমখিদবদগীনি। মতম খরগী মতুংদদি ভিদিও ফিল্মগী প্রদ্যুসর ওইনা অমদি আর্টিষ্ট অমা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখি। প্রদ্যুসর ওইনা পুথোকখিবা ফিল্মশিংদুদি- তৎলবা লংলা, অশিবা থৱায়গী মমি, অদুঙৈগী মশান্নাগুমনচিংবা ফিল্ম খরা পুথোকখি। মসিগী মতুংদা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম খরদসু শরুক য়ারকখি। খোন্থাং, মায়োফিগী মচা, কনাগা হিংহৌনি, মৈচাক মৈচাক, নাকেন্থানা ঙাইরি হায়বনচিংবা ফিল্মশিং মথং মথং কুম্লকখি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দ্রামাগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা মখল কয়াগী লীলা কুম্লকখি। পুম্নমকশিং অসিগী মথক্তা- ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী কাউন্সীল্লরগী মীখলদা কেন্দিদেট ওইনা চোংথোক্তুনা ভোট কাদুনা কাউন্সীল্লর ওইনা মীয়ামগী থবক কয়া মায়পুননা তৌবীখি।

পুকচেল শেংবা, তৌগে খনবা থবক্তা পূক্লিং চঙনা থৱায় য়াওনা হোৎনবা, প্রোফেসনেলিজম করিনো খঙনা থবক খূদিংমক তৌরবতদা মশক নাইবা অমা শোয়দনা ওইগনি অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা আর্টকী লম্বী অসিদা চপ চানা চঙলগে হায়না খল্লবদি থম্মোয় শেংবা চঙই। থকশি-খাশি নাইনা খঙননবা হৈননবা হোৎনবদা মতম মাঙবা অমদি ৱাবা থিদনা হোৎনরগদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফম চেকশিন্না থল্লি। অহানবদা ফিল্মগী ফেষ্টিভেল পাঙথোকপদা, এৱার্দ ফাওবা দোনর ওইখিবনি অদুনা ফিল্মগী থবক থৌরম খূদিংদা শরুক য়াজনিংই, অদুবু ষ্টেটকী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা ইনভাইট তৌরকপা ইকাও কাওনখ্রমাল্লে, কয়া তৌরকখিদ্রে। মসি মতম মতমনা ওইহল্লকপা হায়বদুনি অদুবু নোংমদি শোয়দনা নীংশিংলকখিগনি হায়না ৱারৌবগী ইহুল অমসু কন্না ফাওহৌরি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩। ০১। ২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৯.১৩ ফাওবা ৱাকচিংগী ২০নি পাল্লি, মতুং ২১ নি পাল্লনি।

মেষ: নীংবা থুংগনি, পল্লম্বা থবক পাঙবা অমদি লনসু চঙবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপা য়াগনি, মীংচৎসু ফংগনি, লৌশিং তানশিনবা য়াগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃষ: কল্লকপা য়েংথিবা অমদি হুন্দুনা ঙাংবীবা লৈরসু থেংলপ্লা নুংঙাইবা ফংগনি, মীয়াম্না তেংবাঙনিংগনি। ৱানোম থৌনোমদি ইকা কান্নরোই। থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিথুন: অফবা মরুপ তাঙবা, নচা-ননাই কায়নবগী নুংঙাইতবা, হুরানবনা লৌথোক-চাথোকনিংবা নুমিৎনি। অদুবু মীৱা লৌদ্রবা, অনম তানদ্রবা মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনবা কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: নোল্লুক্নদা চৎলু, ৱাফংনগনু, নাইতোম ৱারেপ লৌগনু মাঙবা লৈরোই। ওইজবা ফংলনি, পল্লম্বা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি, অমদি মচা-ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ: চরাংনবা তৌগনু অমদি হোয়াতা ফগনু লম খুদিংদা চাওনা কান্নগনি। অফবা লৌশিং ফংগনি, নচা-ননাই চাওখৎপা, অয়েৎপা কোকচবা, মীংচৎ ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কন্যা: ৱাখল লাঙগনি অদুবু নীংবদি থুংগনি। তৌহৈদবা ৱাখল থাদোকপা ফৈ নৎত্রদি লাই-গুরুনা তাথিগনি। নচাক-নরল অমদি মীচঙ হেনগৎপসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগনি
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা: অচুম্বগী ৱাখল্লোন্না নচা-ননাই চাওখৎপা, ঈকাই খুম্নবা ফংবা, লাইবক ফবনা শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি নীংবদুমক ওইথোকপা য়াবা লৈ। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, মীংচৎ তানবসু মায় পাক্কনি, ইমুং-মনুংগী ৱা থোইনা কান্নগনি অমদি লন চাওখৎকনি। হোয়াদি ফগনু, নাপলসু তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি চেৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

ধনু: নীংবা থুংগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি, অনৌবা কান্নবা আশা লাক্কনি, নক্লবশিংগী মতেং ফংগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈ। শাওরদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: হেন্না আশা চাওবনা নুংশা থিগনি, মরম চাদনা হোয়া ফগনু। নচাক নরলদি চঙগনি, লৌশিং তানশিনবসু মায় পাক্কনি। ওইদ-পাদবনা মাঙওইনরদি কায়নবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱাদি থাজরুনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কুম্ভ: ঈংথনা লৈয়ু অমদি চরাংননা থৌ পাঙগনু, মাঙবা লৈরোই। মতাং চাবদা থৌনাদি ফুদোকউ অমদি লৌশিং চাওবশিংগী পাউতাক য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: নিংবা থুংলনি, অয়েৎপা কোক্লনি, ঙাং-শকপসু পকচবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা নুমিৎনি। খন্থদনা হৈ-শিংবদি শারুনু, চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নুপী ঙাক্তগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০০গী মথক্তা থল্লগনি : এন প্রভিন

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২২ (ঐচ এন এস):

মথং থাগী ফেব্যুৱারি ২৭ অমদি মার্চগী তাং ৩ দা ফেজ অনী থোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল অসিদা নুপী ঙাক্তগী ওইবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪০০গী মথক্তা থল্লগনি হায়না এদিস্নেল চিফ এলেক্টোরেল ওফিসর (সি ঈ ও) মণিপুর নাউরেম প্রভিননা ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি সি ঈ ও মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী জে এন দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল বেল্লোট বেট্টল ক্যুজ কম্পিটিসন ওন ইলেক্সন এন্দ ইলেক্টোরেল প্রোসেসকী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকপনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা নুপা ভোটরদগী নুপীগী ভোটরনা মশিং হেনবনা হায়রিবা ইলেক্সন অসিদা নুপীশিংসু থোরক্তুনা পোল্লিং ষ্টেসন ৪০০ গী মথক্তা নুপী ঙাক্তনা থবক তৌগনি। ইলেক্সন অসি য়াম্না কাংলোন চুম্না ইশাদা অকিবা য়াওদনা ভোট থাদবীনবা মীয়ামদা আপিল তৌখি। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইঙ্গদবা মহৈরোয় অমদি নহাশিংনা মতিক চাবা অফবা মীহুৎশিং খন্নবা ভোট থাদগদবনি।

মীয়ামগী অফবা মীহুৎ খনবা মতমদা হৌজিক ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা থবক পায়খৎকনি। চহী ৮০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদি মশানা চৎপা ঙমদ্রগদি পোষ্টেল বেলোট পেপরদা থাদবসু য়ারগনি। লোয়ননা অশোনবা অনাবশিংনা ভোট থাদনিংবা য়াওরবসু মখোয়গী ভিহেকল অমদি হ্বিল চ্যিরনচিংবা আর ও, দি ও ভোলুন্টিয়রশিংনা মতেং পাঙলগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল বেলোট বেট্টল ক্যুজ কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা টিমশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, উখ্রুল অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টনচিংবনি।

ক্যুজ চাংদম্নবা অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মহৈরোয়শিংনা অহানবা, অনীশুবদা সেনাপতি অহুমশুবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মহৈরোয়শিংনা তাখি। ক্যুজ মাষ্টরনা অহৈবম প্রলাদনা ওইখি। ঙসি পাঙথোকখিবা ক্যুজ চাংদম্নবা অসিগী মনা থা অসিগী ২৫ দা সিটি কনভেন্সনদা পাঙথোক্কদবা নেসনল ভোটর ডেগী থৌরমদা পীগনি। ফাষ্ট না ২০,০০০, সেকেন্দ ১৫,০০০, থার্দ ১০,০০০ পীগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জোন্ট সি ঈ ও দাউলটখানসু শরুক য়াখি।

# নুপা অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা কোনবা য়াইরিপোক চঙমদবী মথক লৈকায়দা নুপা অমা শকখঙদবশিংনা য়াম্না থীনা ফুৱগা হুন্দোক্লম্বদগী লৈকায় মীওইশিংনা থেংনরক্তুনা খূদক্তা মহাকপু গাড়িদা হাপ্লগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎপদা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং এমদি কাবৈ হ্যুসেন চহী (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি মনিরুদ্দিন কৌই। মহাক য়াইরিপোক চঙমদবী মথক লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক্না লম্বীদা ৱাখল তাদনা শোক্লগা তাদুনা লৈরম্বনি, মহাক্কী মকোক শোকপদা নৎতনা ময়াসু তেক্লম্লে, নাতোন্দগীসু ঈ য়াম্না তারম্লে হায়রি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা পুরক্লগা পোরোম্পাৎকী জেনিমস মোর্গতা ঙসি একজিক্যুটিভ মেজিসট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অমুক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অন্দ্রো পুলিসন ষ্টেসননা সু মোটো কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওই ফাগৎনবা থীবগী থবক চথবা হৌখ্রে। মহাক কনানা করি মরমগীদমক মীনুংশি লৈতনা তমথীনা হাৎলম্বনো হায়বা হৌজিক চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# মফম কয়াদা ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস):


লাক্লিবা রিপব্লিক ডে অমদি ১২ শুবা মীখলগা লোয়ননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মণিপুর পুলিস অমদি কম্যান্ডো দানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকশন্না থীবা-হুন্বগী থবক চথখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭.৪৫ তগী পুং ৯.১৫ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদিস্নেল এস পি (ওপস)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্যান্দো অমদি লম্ফেল পুলিসকী টিম য়াওনা উরিপোক বাচস্পাটি লৈকায়দা থীবা-হুন্বগী থবক চথখ্রে। মফম অদুদা লৈবা য়ুম ৯৫দা চংদুনা থীবা-হুন্বা চথবগা লোয়ননা মীওই ১৫০ রোম ৱাহং পাউহং চথখি। মফম অদুদা বেল আউট অনী অমসু ফাগৎলগা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা ৱাহং পাউহং তৌনবা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী টিম অমনসু ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ রোমদগীনা পুং ৪.৩০ ফাওবা চোথে খুল অমদি নাচৌ পন্থোং বিষ্ণুপুরনচিংবদা লৈবা য়ুম ৪৫ রোমদা থীবা-হুন্বগী থবক চথখ্রে। অদুবু অফা-অপুনদি য়াওখিদে। মরকসিদা বিষ্ণুপুর কম্যান্দো টিম অমনসু ঙসি নুংথিল মোইরাং কোঞ্জেংবম লৈকায়দা কম্যান্দো টিম অহুম্না মফম অদুদা লৈবা য়ুম ৮০ রোমদা চংদুনা থীবা-হুন্বগী থবক চথখি। মীওই ১৯০ রোমদসু ৱাহং পাউহং চথখি হায়রি।



Title : Save Environment
By : Bidyalakshmi Konsam
Class : IV Sec : A Roll : 20
School : Pari Imom Khwai Sindam Shang



Title : Grapes
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : Pre-Nursery Sec : A Roll : 1
School : Seldam English Academy



Title : Moonlight
By : M. Devnat Meitei
Class : VII A Roll : 2
School : K.V Langjing No. 2




Title : Cat
By : L. Lanchenba
Class : IV Sec : Jasper Roll : 29
School : Heritage Convent



Title : BEE
By : Thoithoiba Okram
Class : Nursery
School : Shishu Nistha Niketan



Title : Hand Sign
By : Telheiba
Class : IV Roll : 4
School : Maheilen Boarding, Pangei Haotal



Title : Naruto
By : Lanchenba
Class : IV Roll : 31
School : Maheilen Boarding, Pangei Haotal



Title : Obito
By : Th. Sageinganba
Class : IV Roll No. 14
School : Maheilen

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথীনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।